সেপ্তেম্বর ১, ২০০৬

ইংশিজরবা প্রধান মন্ত্রি ইবুংঙো,

অহানবা উন্নবা থৌরমদা, নহাক্না জাতিগী লৌশিংগী হক শিন্নরবা লুপতা পীবিরকথিবা ঈঙ্গিত্‌কী ৱারোল অদুনা, হায়বদি লোল অমদগী হন্দোক্লবা মচাক্তা ফাওনবা হায়বসি অরুবা হিরমশিংদা লায়না ফাওনবগী লৌশিং হেঙ্গত্‌হনবদা অদুগা মীয়াম্না মহৈ-মশিংগী মরীদা শরুক য়াবদা অমদি লিশাংশিন্না তমথবদা পাকথোক-চাওথোক্লবগী অমসুং পাঙ্গল কনখত্‌হন্নবগী তঙাইফদবা মশক ওইরী, অসিগুম্বা ৱাফমসিনা  জাতিগী লৌশিংগী হক শিন্নরবা লুপ অসিবু, ভারত্তা লৈরিবা লৌশিং-শেনমীতনোনগী ফোং-ফোং শারীবা হিরমশীংগী মরক্তা লোল হন্দোকপা থবকসু অমা ওইনা লৌদুনা, লোল হন্দোকপগী ৱাফমদা মীতয়েং থমহল্লে।

লৈবাকসি লান্না হেন্না ফাওনহনগদৌরীবা তোঙান-তোঙানবা হিরমশিংদা- খোরিরোল (সাহিত্য), বৈজ্ঞানিক, খুন্নায়রোল, লল্লোন-ঈতিক, অসিনচিংবা) অমদি তোঙান-তোঙানবা লোল-হন্দোকপা মখলগী (মীওইবগী, মেছিনগী মতেংনা, খুদক্কী ওইবা, অসিনচিংবা) মগুন ফগত্‌হনবা অমসুং চাং হেঙ্গত্‌হনবগী থৌদাং অমা থিন্দনা মথৌ তায় হায়বসি ঐখোয়না শকখংজে। হৌজিক-হৌজিক লোল হন্দোক্লবগী পীরিবা খুদোংচাবশিং অসিদী খুন্নায়দা চংগদৌরীবা থাক্তগী হন্থবগা লোয়ননা মতিক চাদ্রি। ই-পাউগী মরীদা মপুংফানা চুনদবা মশক অমা লৈবনা মরম ওইদুনা নীংবা থুংদ্রিবা অরোত্‌পা শকখংবিদবা তকশিনবা মতৌ অমগসু লৈরী। অদুগা, মতিক-মঙম লৈনা শিজিন্নরিবশিংগী মরক্তা থোং মান্নবা মরী অমা ৱাত্‌পনা থোকহল্লকপা, অদুগুম্বা ই-পাউগী মতিক-চাদবা থৌওংনা কৈথেলগী শেন্দোংদা মায়থিবা ফংহল্লি। অমরোমদা হীরমসিদা লন্নায় থবক-থৌরমগী-দমক্তদি খ্বায়দগী থৌগন্নীঙায় ওইগদবা অমদি চাংতাদবা অহকপা খুদম অমগী মশক ওইগদবা অফবা মগুন লৈরবা লোল অমদগী হন্দোক্লবা কয়াবু মতিক চানা শন্দোক্তবগী থৌওং অমসু লৈরী। মরম অসিনা, তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা অৱাংবা থাক্কী মগুন লৈরবা লোল হন্দোকপগী, চাওরবা লল্লোল-ঈতিক্কী মরীদা ফাওনবা য়াবা থৌরাং অদু চন্নবা য়ারক্লবা, থাঙ্গৈশেংবা মীয়াম খরনা লমসিদা, তুংকোয়নগী মশক ওইদবদা, থবক পায়খন্নবা অকক্লবা খুত্‌পু অমা ওইনা খুত্থাবদু মথৌ তায়। লোল হন্দোকপা থবক-থৌরমগী মতিক-মঙমগী ঙমখৈনুংদা হকথেংননা নত্রগা নাকোয়ননা থবক হাপ্পগী চথরকপা থৌওংসি য়াম্না ৱাংই অমদি মসিনা থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংগী শীংথাবা য়াবা শরুক খরদি চুপশিনবা ঙম্লগনি।

ৱাফমসিদা য়ুম্ফম ওইরগা, এন কে সিনা ডাঃ জয়তি ঘোশনা লমজিংবা, লোল হন্দোকপা, লাইরিক-পুথোকপা অমসুং মায়কৈ খুদিংদা শন্দোক্লবগী থবক-থৌরমশিংদা[১] চেন্নরীবা মীওই কয়া অমসুং লোয়শংগী মীহুতশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা থবক তৌবা কাংলুপ অমা শেমখ্রে। হায়রিবা কাংলুপসিনা মরী লৈনবা লৈঙাক-শাসনগী অশেম্বা লুপশিং, মহৈশংশিং, লোলদা খঙ্‌-হৈরবশীং, লাইরিক পুথোকপশিং, তম্বীরোয়শীং অমদি অতোপ্পা ভারত্তা লৈরীবা লোল হন্দোকপগী থবক্তা মরী লৈনবা কাংবুসিংসু য়াওহল্লি। মখোয়না অখঙ্‌-অহৈগী কোন্সং অমসুং ৱা-তান্নবশিং পাংথোক্লবা য়াম্না তোয়না উন্নে।

এন কে সিদা মখোয়গী থন্ন-নৈনবা অমসুং থবক্কী মহয় ওইবা ঐখোয়না মখাগীশিং অসি পাংথোক্লবা ৱারোল পীরি:

১. **লৈবাকসিদা লোল হন্দোকপবু কারখানা অমগুম্ চাওখথত্-হন্নবগীদমক ঈথিলদু পীয়ু।** অতোপ্পা লৈবাকশিংগা থেংনদুনা ফংলকপা লৌশিংনা ৱায়শিল্লকপগা লোয়ননা, লোল কয়া ঙাংবা, অদুগা মীরৈবাক্কী লোলবু হন্দোক্লবগী থম থেংনা মতিক-মঙম লৈরবা ভারতকুম্বা লৈবাকসিদা, লোল হন্দোকপা করখানাগী অপুনবা তাইবংনা মীওই ২০০,০০০ অমসুং ক্রোর তঙ্খায় হায়রিবা অনিসিগী মরক্তা থবক ফংহন্নবগী শোয়ফদ্রবা মতিক-মঙমদু লৈ।

২. **'লোল হন্দোক্লীবশিংগীদমক জাতিগী মিং-চনশিনবা'** হায়বনচিংবা খুদোংচাবশিং, অনৌবা পায়খত্পা থবকশিং, লোল হন্দোক্লবা খুত্তজু-খুত্লাইশিং/খুত্লায় ওইরিবশিং, শিল্লম-শিন্তাকপগী থৌরমশিং অমদী লোল অমদগী হন্দোক্লবশিংদু ফোংদোকপা অসিনচিংবগী মতাংদা লেপ্তনা ঈ-পাউবু মতমগা চুনহনবা, শিল্-লাংবা অমদি শেমগত্পা তৌদুনা অসুম্না ফংহনবগা লোয়ননা, ভারতকী লোলশিংগী ওইবদা লোল হন্দোকপগী মমায় খুদিংমক্তা যুম্ফম ওইবা ঈ-পাউগী পুক্কে অমা লিংখক্লু।

৩. **লোল হন্দোকপা নৈনবশিংগী থবকশিংবু অনম্বা অমসুং চুম্নঙায়গী মফোংদোক্তা থাক ৱাঙ্খত্হল্লু** -- মতুং-তারকপদা, য়ারিবমখৈ ভারতকী লোল অয়াম্বদা ওইহন্দুনা, মরী শাগত্পগী অমসুং শিন্থা পাংথোকপসী হীরম অনিমত্তা, লোল হন্দোকপগী থবক-থৌরমশিংদুগীদমক লৈখায় তাহন্নবা মফম অমা পীয়ু।

৪. লোল হন্দোকপগীদমক সোফটৱেয়ার (কম্প্যুটরগী থৌরম), লোল অনিগী ওইবা লোনগৈশিং (বাইলিঙ্গুয়েল ডিক্সন্যারিস), অমসুং ৱাহৈ থোঙলীফম পুক্কে (থিসোরস) অসিনচীংবগুম্বা মশিংনা ঈ-পাও পীবা খুত্লাইশিং য়াওনা **লোল হন্দোকপগীদমক মখল-মখেলগী খুত্লাইশিং শেমগত্তুনা পান্নৌ।** অসিগীসু মথক্তা, চত্নবা য়ানা অনেম্বা মমলদা পুথোক্লবগী অথুবা অমসুং চাওরবা লোল হন্দোকপগী লাইরিক মপুম ফংহন্নবা ফাওগতল্লক্লীবা খুত্নায়রোলশিংবু চৈঙাক্লহল্লগা, মেছিনগী মতেংনা লোল হন্দোকপবু থাক ৱাঙ্খত্হল্লু।

৫. লোল হন্দোকপশিংগীদমক মহৈ-মশিং অমসুং **মগুন লৈবা শিল্লম-শিন্তাক পিয়ু।** অসিগুম্বা খোংথাংশিংসি পাংথোকপা ঙম্নবগীদমক্তদি -- অতেনবা মতমগী শিল্লম-শিন্তাক্কী থৌরমশিং, লোল তম্বীবগী থৌরমশিংদা শরুক চলশিনহনখিগদৌবা অদুগুম্বা লোল হন্দোকপগী হীরম মশাংগী অপুনবা মচাকশিং (কোর্স প্যাকেজেস) অমদি মগুন লৈরবা মহৈরোইশিংবু পুক্লিং থৌগত্নবা পীবা ফেলোসিপ (মহৈগী মিংথোল) থৌরাংশিং অমসুং থি-হুম্বগী থৌরাংশিং (প্রোজেক্টস) হায়রিবশিংসি মনুং চল্লি। লোল হন্দোকপগী পরিং-পথাপকী মতাংদা লমজিং-লমতাকপগী তঙায়ফদবা অমসু লৈবনা, লোল হন্দোকপা নৈনবগী মতাংদা তম্বীবগী অমসুং শিল্লম-শিন্তাকপগী থবক-থৌওংশিংদু ইনাক-খুনগত্নবা অদুগুম্বা থবক-থৌওংশিংদু পায়খত্লু।

৬. থাক পুম্নমক্তা (অহানবা থাক্তগী অহুমশুবা থাক্কী মহৈ-মশিং য়াওনা) পরম-পরাগী মচাকশিংদু অতোপ্পা লোনদা হন্দোকউ, মহৌশাগী অমসুং খুন্নাই কাংলোনশিংগী (বিজ্ঞান) ওইবদা থর-খিত্ হকচিন্না মীতয়েং থমদুনা।

৭. অৱাংবা থাক্কী মণ্ডন চেল্লবা লোল হন্দোকপগী থৌওংনা, **খা-থংবা এসিয়াগী মনুং অমসুং মপান্দা ভারতকী লোলশিং** অমসুং অতোপ্পা খোরিরোলশিংবু (সাহিত্য) থাকখল চাওখোকহল্লু।

৮. লোল হন্দোকপগী মরীদা ঈ-পাউ পুন্থগী পুল্লফম অমগী থৌদাং য়ানবা অমদি ৱাহং অমসুং পাওখুমশিংবু থাদোক-থাজিন তৌনবা মীয়ামগীদমক চেফোংকোল অমা শেম্লদুনা ৱাৱি-ৱাতায় শান্নবগী মফম (ফোরম) অমবু ফংহন্নবা **জাতিগী লোল হন্দোকপগী ৱেব পোর্ট্যাল (থোংজং) অমা শাগন্লু।**

৯. হীরমদুদা খণ্ড-হৈরবা, কারখানাশিং অমসুং শিন্থা ওইনা পাংলিবা মীওইশিংনা শরুক য়াথিবা থবক-থৌরমশিং অমসুং পায়খতথিবা থবকশিংদুগী অপুনবা ময়ামদু পুখন্নবা চহিগী ওইনা জাতিগী ৱা-তান্নবা মীফম (সম্মেলন) শিল-লাংঙু।

১০. লাইরিক পুথোকপগী থৌরমশিং, কুম্মৈশীং, মিংথোল (উপাধি) পীবা থৌরমশীং (ফেলোসিপস্) অমসুং মমলশিং হায়রিবশিং অসিবু থাক-ৱাঙ্খত্হল্লু অমদি লোল হন্দোকপগী থবক্তা পুন্না তৌমিন্নবা মশক অমসুং কুইনগী চন্নগদবা মখল য়াল্লবা লোল হন্দোকপশিংগী থৌরাংশিংবু পুক্লিং থৌগন্লু, অমদি লৈরিবা ৱাখল-মীতয়েং অমসুং তান্দুনা ফংলবা লৌশিংবু অমগা-অমগা ঈথিল পীননবা অমসুং মহুত্-শিন্ননবা শিল-লাংদুনা হৌদোকউ।

হায়রিবা পন্থুংসিবু য়ারিবমখৈ থুনা অমসুং মতিকচানা ফংনবগীদমক, ভারতকী লৈঙাক-শাসন্না, তৌগদবা থৌগলশিংবু পরিং-পথাপ নাইনা লৌখত্লক্কদৌরীবা, অদুগুম্বা জাতিগী লোল হন্দোকপগী পান্দমশং (নেস্নেল ট্রান্সলেসন মিসন, এন টি এম) অমা লিঙ্খত্পা য়ায় হায়বসি এন কে সিনা ফাওই। হায়রিবা এন টি এমগী মরমদা থাঙ্গত্লকপা ৱারোল (প্রস্তাব) অমসু মনুংদা হাপচিঞ্জরে। শম্না হায়রবদা, এন টি এম অসি মশাগী শেমগত্-শাগন্নবগী মচাক্কী শকওংদা অসুক্কী মতিক পীক্লবা লুপ অমা ওইগনি, অদুগা মদুগী থৌশিল-থৌরাংসু শেমদোক-শেমজিন য়াগনি, অমদি মশক তাক্লবা হীরমশিংদা শেল কায়থনবগী থল্লীবা পান্দমদু পাংথোকপা ঙম্নবগী মতিক-চাবা চাগা-চাদিং লৈগনি। মসিনা পুন্নমকপু খোপচিনবা মওংদা মথৌ পাংথোক্লোই, অদুগা রাজ্য অমসুং তোঙান-তোঙানবা মীহতশিং (লোইশংগী) অদুগা মরী তিন্নহনবগী থবকশিংদুদি তঙায়ফদনা চংগনি। লোল হন্দোকপগী থবক-থৌরমশিংদতা নত্তনা মরক্তা থোক্লগদবা মওং-কায়দাশিংদসু, হৌজিক-হৌজিক্কী খুদক্কী তঙায়ফদবনা তুংগী ওইগদবদগী থেন্নবা লৈবা য়াবা মরল্লা, এন টি এম অসি শেমদোক-শেমজিন য়াবা ওইহনগনি, অমদি খুন্নায়গী অশেংবা মশকশিং অমসুং হৌজিক্কী অমদি তুংগী কৈথেলগী ওইগদব ফিভমশিংগী মরীদা হায়না-তানবা য়াবা মওংদা হোল্লগনি।

অপুনবা খুতসিল-থৌরাংগী মনুংদা (লুপা কোটি ৮০ মুক্লা শেমগত্-শাগত্পগী মমলদা, পোথোক-পুথোক্কদৌরীবা শীন্মিশিংদা অমসুং হীরম অমদা পীবা তেংবাং-সেল (স্কোলার্শিপ), অদুগা লুপা কোটি ১৭০ মুক্লা অতোপ্পা লোয়শংশিং নত্রগা মী খোংবুশিংগা শেল কায়থবদা তিংমিন্নগদবা থবক থৌরমশিংদা) ওইবা অপুনবা থাঙ্গত্লকপা চাগা-চাদিংগী শেলফম লুপা কোটি ২৫০ অসিগা লোয়ননা, অসিগুম্বা থবক-থৌরমশিংবু পাংথোক্লীবা 'জাতিগী লোল হন্দোকপগী পান্দমশং' অমা XI শুবা খুতশিন থৌরাংগী মনুংদা লিঙ্খত্নবা মীতয়েং চংশিল্লে। XI শুবা থৌরাং মনুংদা ফংলকপা লৌশিংগী মথা-পোন্না, মসিগী শাংদোক্লবা ঙাক্লৌ অদু মথা-তানা হেঙ্গত্হনগনি। মসিগীসু মথক্তা, তঙায়ফদবা শেম-শানবা মচাক্কী শকওং

(ইনফ্রাষ্ট্রকচর) অমবু মপুং-মরৈ ফাহন্নবগীদমক, এন টি এমনা করিগুম্বা অকক্লবা ঙাক্লৌ অমা চংগনি।

অসিগুম্বা থাঙ্গত্লকপা-ৱারোল (প্রস্তাব) অমা প্লান্নিং কমিশন্দা (খুতশিল-থৌরাংগী হক শিন্নরবা লুপ) থাজিনখ্রে, অমদি প্লান্নিং কমিশন্না পাক-খোন্না অয়াবা পীবা ৱাফমসু ফংলে, অদুগা মসিনা এন টি এম্‌গী শেমগত্-শাগত্পগী অমসুং শকওংগী মতাংদা মখা-ভাবা ইঙ্গিতশিং পীদুনা শেমদোক্লে। হায়রিবা ইঙ্গিতশিংসিগী মতাংদা শুগায়না তাক্লবা ৱাফম অমসু মনুং চলহন্দুনা হাপচিঞ্জরে। অদুবু চান্নবা চাগা-চাদিংগী তেংবাংগা লোয়ননা থাঙ্গত্লক্লীবা ৱারোলসি XI শুবা থৌরাংদা পুনশিনখিনবগীদমক হৌনবী ঙাক্লা চাওখত্হনবা তারবদি, থাঙ্গত্লক্লীবা ৱাফমসিগী তাংদাংবা মশক ফংনবা, লৈরিবা লুপশিং অমসুং মরী লৈনবা লৈঙাক শাসনগী মন্ত্রিশিংগী লোয়শংশিংগা থবক পাংথোকমিন্নগদবা অদুগুম্বা থবক তৌবা কাংলুপ অমা লিঙ্খত্পা কান্নগনী। অসিগুম্বা থবক তৌবা কাংলুপসিদা য়াওবা মীওইশিংগী ওইথোকপা য়াবা মথং-মনাওগী মশীং অমসু থাঙ্গত্চরীবা ৱারোল অসিগী মনুংদা হাপচিঞ্জরে।

স্কুলগী মহৈ-মশিংগী অহানবা থাক্তা ইংলিসপু থাক ৱাঙ্খত্হন্নবা অমসুং মীয়াম পুন্নমক্তা ইংলিস লোনবু শিল্লম-শিন্তাকপগী লম্বীদা চংশিনবদা হেঙ্গত্হন্নবা লোল হন্দোকপগী থবক-থৌরমশিং অসিসু হায়রিবা খুতশিল-থৌরাংগা (প্লান) তুংথ-মাংথ চতমিন্নবা ওইনা উগদবনি। মখোয় অনিমক লৌশিংগী লম্বীদা চংশিনবদা য়ৌনবগী তোঙান-তোঙানবা লম্বীগী পাম্বৈ ঙাক্তনী। লোল অমসুং ইংলিস লেন্দা মীতয়েং চংশিনবদা হেঙ্গত্হন্নবগী মরীদা লৈরীবা য়েতন-ৱাফমশিং অদুগী তোঙানবা ৱারোল অমসু এন কে সিনা শম-শারী।

অদোম্না ঐখোয়না থাঙ্গত্চরীবা ৱারোলসি XI শুবা খুতশিল থৌরাংগী মনুংদা চানবীদুনা শরু অমা ওইনা হাপচিনবীগনি হায়না চেন্না নীংজৈ।

লন্নায় নোল্লুকচবগা লোয়ননা থাগত্চরী,

স্যাম পিত্রোদা

লুচিংপুরেল (চিয়ারমেন),

জাতিগী লৌশিংগী হক শিন্নরবা লুপ

সি সি: শ্রী অর্জুন সিং

মীওইবা থুন্নায়গী উপায়শিং চাওখত্হন্নবগীদমক লৈরীবা মন্ত্রি

শ্রী মোনটেক সিং অহলুৱালিয়া,

লুচিংপুরেল মীহুত্ (দিপুটি)

খুতশিল থৌরাংগী হক শিন্নরবা লুপ (প্লান্নিং কমিশন)

**লোল হন্দোকপা অমসুং জাতিগী লোল হন্দোকপগী পান্দমশং হায়বসিগী মরীদা এন কে সিনা ৱা-তান্নখিবা মীওইশিংগী মথং-মনাও নাইরবা মশীং**

১. মিঃ কে পি আর নাইয়র

কোর্নাক পব্লিশরস্ (লাইরিক ফোংবা)

২. মিঃ কেশভ দেশাইরাজু

জোইন্ট সেক্রেটরি

সেকেন্দরি (অনিশুবা) অমসুং হাইয়র (অৱাংবা থাক্কী) মহৈ-মশিংগী লোয়শং

এইচ আর দি গী মন্ত্রিফম ওইবা

৩. ডাঃ এম শ্রীধার

ইংলিসকী লোয়শং

হায়দ্রাবাদকী য়ুনিভর্সিটি (তাইবং-মহৈকোল)

৪. প্রোঃ অলোক ভল্লা

ইংলিসকী লোয়শং

সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুত্ ওফ ইংলিশ এন্দ ফোরেন লেঙ্গ্যুজেস (সি আই ই এফ এল)

৫. ডাঃ দি এস নভিন

নেস্লেল বুক ত্রষ্ট (জাতিগী লাইরিক খুত্‌পু)

৬. প্রোঃ জি. উমা মহেশ্বর রাও

শিন্থা পাংথোক্লবা লোলশুরোল অমসুং লোন হন্দোকপা নৈনবগীদমক ময়োল মফম,

সি এ এল টি এস, হায়দ্রাবাদকী তাইবং-মহৈকোল

৭. প্রোঃ ভনমালা ভিশ্বানাথ

ইংলিসকী লোয়শং

জ্ঞানভারথী,

বেঙ্গলোর তাইবং-মহৈকোল

৮. ডাঃ নীতি বাদ্বে

জর্ম্মনগী প্রোফেসর (তাইবং-মহৈকোলগী তম্বীরোয়),

মীরৈবাক লোলশিংগী লোয়শং

পুনাগী তাইবং-মহৈকোল

৯. প্রোঃ হরিশ ত্রিভেদি

ইংলিসকী লোয়শং,

দিল্লি তাইবং-মহৈকোল

১০. প্রোঃ পুশপক ভত্তচর্য্যা,

কম্প্যুটর সাইন্সকী প্রোফেসর,

কম্প্যুটর সাইন্স অমসুং ইঞ্জিনিয়রিংগী লোয়শং

টেক্নোলোজি (খুন্নায়রোল)গী ভারতকী শংলেন

মুম্বাই

১১. মিঃ বেন্নি কুরিয়ান

নেস্নেল বুক ত্রষ্ট (জাতিগী লাইরিক খুত্পু)

১২. মিস কামিনি মহাদেভান

পিয়ারসন এডজুকেসন ইন্দিয়া

১৩. ডাঃ সুজাতা রোয়

জোইন্ট দিরেক্তর

হিন্দি মেডিয়ম ইমপ্লিমেন্টেসন কমিটি (হিন্দি লোলবু চন্নহন্নবা ৱা-তান্নবা লুপ)

দিল্লিগী তাইবং-মহৈকোল

১৪. মিঃ অভিজিত্ দত্ত

গ্লোবেলাইজেশন ইস্পেসিয়েলিষ্ট (মালেম্বু অমত্তা ওইনা কোনশিনবা হিরমদা লুপ্লবা মী),

আই বি এম গ্লোবেল সার্ভিসেস ইন্দিয়া প্রাইভেত্ লিমিটেদ

১৫. মিস গীতা ধর্ম্মরাজন

কাথা (কে এ টি এইচ এ)

১৬. মিস মিনি কৃষ্ণন

ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটি প্রেস (ওক্সফোর্দ তাইবং-মহৈকোলগী নম্ফম)

১৭. প্রোঃ উদায়া নারয়না সিংহ

দিরেক্তর (লমতাক-লমজিং লোয়), ভারতকী লোলশিংগী ময়োল শংলেন (সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুত্ ওফ ইন্দিয়ান লেঙ্গ্যুজেস)

১৮. মিস রাধিকা মেনোন

টুলিকা

১৯. ডাঃ এস এন ওঝা

ভিসভা-ভারতি কম্প্যুটর সেন্টর,

শান্তিনিকেটন

২০. মিঃ রুবিন দি'ক্রুজ

নেস্নেল বুক ত্রষ্ট (জাতিগী লাইরিক খুত্পু)

২১. প্রোঃ বিজয় কুমার

লুচিংপুরেল (চিয়ারমেন)

সি এস টি টি (কমিশন ফোর সাইন্টিফিক এন্দ টেক্নিকল টর্মিনোলোজি)

২২. মিঃ এন ভি সাথ্যানারয়না

লুচিংপুরেল অমসুং শিল-লাংলিবা দিরেক্তর

ইনফোর্মেটিক্স (ইন্দিয়া) লিমিটেদ

২৩. ডাঃ শালিনি আর আর্স

এক্সিক্যুটিব দিরেক্তর

আই এস আই এম -- ইন্টর্নেস্নেল স্কুল ওফ ইনফোর্মেসন মেনেজমেন্ট

মহীশুরগী তাইবং-মহৈকোল

২৪. ডাঃ সুক্রিতা পি কুমার

২৫. ডাঃ অর্পূভনন্দ

২৬. ডাঃ সঞ্জয় শর্ম্ম

হিসটরিগী (পুৱারী) লোয়শং

দিল্লি তাইবং-মহৈকোল

২৭. অভায় দুবে

ইদিটর (পাউ-চে ফোংনবা শেম-শাবা মী),

চাওখল্লক্লীবা খুন্নায়শীং নৈননবগীদমক লৈরীবা ইংলিস লোলগী থোরম ময়োলশং

২৮. রাভি কান্ট

ইদিটর (পাউ-চেগী শেম-শাবা মী),

দীবান-ই-সরাই,

সরাই থৌরম

চাওখল্লক্লীবা খুন্নায়শিংগী নৈননবগীদমক লৈরীবা ময়োলশং

২৯. অর্ভিন্দ মোহন

এক্স-এসোসিয়েট ইদিটর,

হিন্দুস্থান টাইমস্

৩০. ডাঃ হেমান্ট দরবরী

খুমাং চাওমিল্লবা কম্প্যুটিংগী মপুং-মরৈ ফানবগীদমক ময়োলশং

৩১. মহমুদ ফরুকী

চাওথল্লক্লীবা খুন্নায়শিংগী নৈননবগীদমক লৈরীবা ময়োলশং